মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ

# সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা থল্লম্বা কাংলোনশিং নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা মতুং ইনগদবনি ঃ লেটপাও হাওকিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ঙসিগী ষ্টেট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাঙথোকখিবদা ষ্টেটকী স্পোর্টিস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা ষ্টেট অসিদগী হৌখিবা মিংচৎ উরোং পুরকপা ঙমখিবা সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা থল্লম্বা কাংলোনশিং অদু মখা তানা ইনবা চঙই হায়না ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পালন তৌবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা লেটপাও হাওকিপনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী লমদা পাৱর হাউসনি হায়না লৌনরিবা মণিপুরগী সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা থমখিবা কাংলোনশিং অমদি হৌজিক হৌজিক তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগী মতৌ তমদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা থবক পায়খৎফম থোকই হায়না থমখি।

নীংশিংবা য়াই, শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়না মণিপুর ষ্টেটনা পালন তৌরিবা অসি কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী ১৪দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরগা শীংথানিংঙাই ওইরবা রাজা ভালেন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌবা ঙমখিবা অদুগী তুংওইননা ফেব্রুৱারী ২৫ অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়না পালন তৌনবা মতম অদুগী লৈঙাক্লা শীনখিবনি।

ঙসি থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস কম্মিস্নার বোবি ৱাইখোমনা প্রসিদেন্ট ওইরগা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর কে শ্যামসুন্দর অমসুং মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরী সুনিল এলাংবমনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিং অদুগা মরী লৈননা মশিং য়াম্লবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা প্লেয়র্স দে লমজেল অমা লেটপাও হাওকিপনা লম থাখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লিরুং শাবা বি চাওবা শর্ম্মবু আর্চরিগী লমদা মহাক্লা পীখিবা মতেং অদুগীদমক মিনিষ্টরনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

অহানবা মেজর মাইবিয়া তামরা সিংহ মেমোরিএল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা ৱাই এম দি এ মাইবম লৈকাইবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
ৱাই এম দি এ লিৱা মাইবম লৈকাই বোকুল মখোঙনা শীন্দুনা ৱাই এম দি এ গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা মেজর মাইবিয়া তামরা সিংহ মেমোরিএল ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা ৱাই এম দি এ মাইবম লৈকাইবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱাই এম দি এ মাইবম লৈকাই অমদি ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই এম দি ওনা সেট ৩-১ (২৪-২৬, ২৭-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৯)দা ৱাই এম দি এবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল কে পি সিংহ, রিটয়র্দ চীফ ইঞ্জিনিয়র এম লালমনি সিংহ, ৱাই এম দি এগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গি সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটয়র্দ ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. সী অমুবা সিংহনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংগী টিমদা শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০ অমসুং মোমেন্তো খুৎশিন্নখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রদা ৱাই এম দি ওগী সন্তোস অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা ফংখি।

# ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট ২০২০ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা অমদি লমদমসিদা খুদামিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগী পান্দমদা পরিং নাইনা চথরকপগুম পুরুম এরিয়া য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি এ ৱাই দি ও) অমসুং য়ুনাইদেট চীংতম ক্লব এসোসিএসন (য়ু সী সী এ এন)না পুন্না শীন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২দগী হৌরগা নুমিৎ হুম্নি চুপ্লা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পি খোনোমফাই ভিল্লেজতা চথরকখিবা ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট ২০২০ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট অসিদা তোঙান-তোঙানবা খুলশিংগী টিম ৮না শরুক য়াখি। টিমশিং অদুদি সিনাম কোম এ, লৈরোক কোম এ, পি খোনোমফাই এ অমসুং বি, এস দি মোলনোম এ, কোংপাল এ, পি কে ৱাই সী এ অমসুং ঙাখপাৎ কোমনি।

স্পোর্টস মীট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা আই ঈ য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট রাজেন মৈতৈ, য়ু সী সী এ এনগী প্রসিদেন্ট ঐচ খোইখোই অমদি পি খোনোমফাই ভিল্লেজগী চীফ জেনখোলাল হাওকিপনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী শরুক অমা ওইনা ফুটবোল, বোল্লিবোল, টগ ওফ ৱার, মুক্না অমদি লমজে লনচিংবা মশান্নশিংগী কম্পিটিসন পাঙথোকখি। ফুটবোলগী ৱিন্নরনা লাইরোক কোমনা ওইখি। ঈশিংথেনবী কোংপালনা রন্নর্সঅপ তাখি। নুপীগী ওইবা বোল্লিবোলদা পি খোনোমফাইগী টিমনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা লাইরোক কোমনা রন্নর্সঅপ তাখি।

মুক্না চাংদম্নবদনা নুঙবোইনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা খোইনাওনা রন্নর্সঅপ তাখি। টগ ওফ ৱারগী ৱিন্নরনা ঈশিংথেনবী টিম অমসুং রন্নর্সঅপনা লাইরোকনা তাখি। মিনটর ২০০গী লমজেলদা ঙাখপাৎ কোমনা অহানবা অমসুং সিনাম কোমনা অনীশুবা তাখি।

স্পোর্টস মীট লোইশিনবগী থৌরমদা দাইজ মেম্বর ওইখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা মনসু য়েন্থোকখি।

# মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা এসিয়াগী নম্বর ১ অদুগা ৱর্ল্ডগী ওইনা নম্বর ২ রেঙ্কতা হায়গৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নুপাগী জুনিয়র কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা এসিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডগী ওইনা ২শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।



মৈরাবা লুৱাংনা পুন্না পোইন্ট ১৫১৫০ ফংদুনা এসিয়াগী জুনিয়র মেন্সকী কাংলুপ্তা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। অমরোমদা ৱর্ল্ডগী ওইনা ফ্রান্সকী শান্নরোয় খৃষ্টো পোপোবনা পোইন্ট ১৯৭৫৫ ফংদুনা নম্বর ১ ওইরগা মৈরাবা লুৱাংনা ২শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মালেমগী ওইনা নুপাগী জুনিয়র সিঙ্গলস কাংলুপকী মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বরুন কাপুর পোইন্ট ১২৮৫০ ফংলগা ৪শুবা থাক্তা লৈরি। লোয়ননা পোইন্ট ৯২৫৫ ফংলগা ইন্দিয়াগী প্রিয়ান্সু রাজাৱতনা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বৈস্নবি রেদি জকানা পোইন্ট ১১৭২০ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি। লৈবাক অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় সামিয়া ইমাদ ফরুকিনা পোইন্ট ১১৩৬০ ফংলগা ১০শুবদা লৈরি। কাংলুপ অসিগী নম্বর ১দা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংনা ওইরি। নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়া ত্রিসা জোলিনা পোইন্ট ১৩৪৩৫ ফংলগা ৮শুবদা লৈরি।

# এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফুটবোল লীগ ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা লিৱা সারে ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা চীংখু ৱাই সী অমদি চান্দেল খুল্লেন ৱাই সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। পনচাই এস সী সী সীনা হৈবুংলোহ ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা চীংখু ৱাই সী অমসুং চান্দেল খুল্লেন ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা হৈবুংলোক ৱাই সী সীনা পনচাই এস সী সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ২১রক শুবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ মায় পাক্লা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ২১রক শুবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ মায় পাক্লা পাঙথোক্লখ্রে।

ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অর্টিফসল টর্ফ গ্রাউন্দ অমদি পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াই কোইবীদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অসিগা মরী লৈননা গ্রাসরুট ফেষ্টিভেল অমসু উৎখি। লোয়ননা শান্নরোয় ১০০ হেনবনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াই, শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়না মণিপুর ষ্টেটনা পালন তৌরিবা অসি কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী ১৪দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা গোল্ড ৪৯, সিলভর ২৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩৯ লৌদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইরগা শীংথানিংঙাই ওইরবা রাজা ভালেন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌবা ঙমখিবা অদুবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দল্লীয়ু নিপামচানা ফেব্রুৱারী ২৫ অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়না পালন তৌবা হৌখিবনি।

অমরোমদা, মৈরা ক্লব চীংদোং লৈকাই, জিরিবামনা শীন্দুনা চীংদোং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা ২১রক শুবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন কে সরত কুমার, মৈরা ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সরত কুমার, এল গোপাল সিংহনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মৈরা ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরী কে কোমোল অমদি কে দিলিপনা ৱেলকম অমদি কি নোট এড্রেস পীখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লিকোন অমসুং মুক্নাগী মশান্নসু উৎখি।

অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লুপনা শীন্দুনা ২১রক শুবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা থাঙ-তাগী শীনতমশঙশিংদা থাঙ-তা তম্বদা চঙবা খুৎশু খুৎলাই কয়াসু মতেং পাঙখি। মতেং পাঙখিবা শীন্তমশঙশিং অদুদি ন্যু লাইট পব্লিক স্কুল, কাঞ্চিপুর অমদি ব্রাইটর ইংলিস স্কুল নম্বোল ফোইজিংনি।

অমরোমদা, পাওনা মেমোরিএল আর্টস এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিসেসনা ‘কলচর ইন পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি’ হায়বা থিমগা লোয়ননা থৌবাল ৱাংখেমদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা থাঙ-তা লৈতেং হাইবা, নুপী চৈফু থুগাইবী অমদি নুপী থৌরি চীংনবীনচিংবা ইন্দিজিনস ওইবা মশান্না কয়াসু উৎখি।

৬শুবা ধনবির ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ধনবির এফ সী অমদি শঞ্জেনবম এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ধনবির এফ সী অমসুং শঞ্জেনবম এফ সী মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৭শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইফেল মেচতা ধনবির এফ সী অমসুং জেক এফ সী (বি) লম্বা তৌনখি। মদুদা ধনবির এফ সীনা জেক এফ সী (বি)বু পাঞ্জল ৮-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ধনবির এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাই বোবো জর্সি নম্বর ৭, ৱাই বিপিন জর্সি নম্বর ২১, এল সুরেস জর্সি নম্বর ৩, কিসন জর্সি নম্বর ৩১, সুরেস জর্সি নম্বর ৪, প্রেমানন্দ জর্সি নম্বর ১০ অমদি বিমোল জর্সি নম্বর ৯না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৮শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শঞ্জেনম এফ সীনা তেন্থা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। শঞ্জেনবম এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু কিরনজিৎ জর্সি নম্বর ৯, তাইবংঙানবা জর্সি নম্বর ৭ অমদি কে ঐচ সনাথোই জর্সি নম্বর ১২না চনখি। তেন্থা এফ সীগী মায়কৈদগী টি ঐচ রোমানিয়া জর্সি নম্বর ৭ অমদি এল ইথোই জর্সি নম্বর ৬না চনখি।

# হাফ মরাথোন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
ধর্ম্মলয়া সোসল ৱেলফেয়র সেন্টর ব্রহ্মপুর নহাবম, ইম্ফালনা শীন্দুনা ৭৩শুবা এন্যুল স্পোর্টিস ফেষ্টিভেল ২০২০গী শরুক অমা ওইনা হাফ মরাথোন মার্চ ১৩দা পাঙথোক্লগনি।

মরাথোন অসিগী ফোম পীশিনবগী অরোইবা মতম মার্চ ১২দা ওইগনি। অহানবা পোজিসনদা শেলগী ওইনা লুপা ১০,০০০; অনীশুবা পোজিসনদা লুপা ৮,০০০ অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা ৬,০০০ ওইগনি। অমদি ৪শুবা পোজিসনদগী ১০শুবা পোজিসন ফাওবদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১০০০/১০০০ লৈগনি হায়রি।

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল তোম্বা মোমোরিএল টুর্নামেন্ট

# লনচেনবী এফ সী অমসুং খৌপুম এফ সী লংথবাল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
কম্যখা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাইনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দ হিয়াংথাংদা চথরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লনচেনবী এফ সী অমদি এন ৱাই সী নাওরেম দ্রো চৎখ্রে, খৌপুম এফ সী লংথবালনা নন্দো এফ সী আরপতিবু মায়থীবা পীখি।

অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেচতা লনচেনবী এফ সী অমদি এন ৱাই সী নাওরেম পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা খৌপুম এফ সী লংথবালনা নন্দো এফ সী আরপতিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

# ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):
ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা জোন এফ সী অমদি সেক্তা (বি) মায় পাকখ্রে। অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা জোন এফ সীনা লৈভোন এফসীবু পাঞ্জল ২-০দা অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেক্তা (বি)না এস কে ৱাই সীবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# দি এম রাও অমদি কে এল এ এস এ মায়পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দি এম রাওনা এন এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা অমদি কে এল এ এস এনা এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দি এম রাও অমদি এন এস য়ু লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা শান্নরকখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা দি এম রাওগী একাউন্ট লোয়াঙম্বা জর্সি নম্বর ২১না হাংখি। অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং শুপ্নগী মিনট অমা কান্নরগা এন এস য়ুগী টি ঐচ চীংলেম্বা জর্সি নম্বর ১০না ইক্কেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনবা ঙমখি। মখা তাবা অহানবা হাফকী মিনটশিংদা টিম অনীমক্কা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা দি এম রাও অমদি এন এস য়ু হেনজিন্নবা ঙমদনা লম্বা তৌনরকখি। টিম অনীমক্কা চথখিবা এটেক্তা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া মাংজখি। শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্কবা শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা দি এম রাওগী এটেক অমদা গুনগুন জর্সি নম্বর ২৭না পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাংজিল থাখি। এন এস য়ুগী শোখরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা দি এম রাওনা এন এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এল এ এস এ অমদি এস ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি কে এল এ এস এনা এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি।

কে এল এ এস এগী মায়কৈদগী কে ঐচ হেরোজিৎ জর্সি নম্বর ২৭, ঐচ সুমন্তা জর্সি নম্বর ৭ অমদি জোসুৱা জর্সি নম্বর ১৪না চনখি। অমরোমদা এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী গুনজানথিয়ু জর্সি নম্বর ১০ অমদি লিমখাইলুন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমমম চনখি।



HL-B/6019/4 feb-5march

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com